# লায়রনা হৌরকপা ফিভমদা কংগ্রেসনা করেম– কথাইনদনবা নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ২৭ ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী লায়রনা হৌরকখিবা পুন্সিগী শরুক অদুদা করেম–কথাইনবিদনবা কংগ্রেস পার্টিদা হায়জখ্রে।

কংগ্রেস পার্টিদা অকনবা এতেক্ট অমা চখবা মানবা ৱারোনশিং অদুনা অচৌবা শাফু অমা পীরি। চৈরক অসিদা কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনসু গুজরাটতা অকনবা মওংদা ভোট খোম্বগী থবক চখরি। ষ্টেট অদুগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগীদমক মথং থাগী হৌরকপদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, মহাক্না লায়রবা ইমুং অমদগী হৌরকখিবা অদু য়েংলগা কংগ্রেস পার্টিনা মহাকপু করেম–কথাইনরি। পার্টি অমনা হন্থবা থাক্তা রাজনিটি চখরোইদবনি। মহাক লায়রবা ইমুং অমদগী হৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক ঙসিদি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরে। মখোয়না মখোয়গী অরোনবশিং লোৎশিন্দুনা থম্বগা লোয়ননা অচুম্ববু লাকশিন্নবা হোৎনরি। হোয় ঐ চা য়োল্লম্মী অদুম ওইনমক লৈবাক অসিবুদি য়োনখিদে হায়না ঙসি রাজকোটতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, লায়রবা ইমুং অমদগী হৌরকপগীদমক কংগ্রেসনা করেম– কথাইনবিদনবগীদমক হায়জরি হায়খি।

মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা কংগ্রেস পার্টিগী মীফমদা ফোঙদোক্কখিবা ৱাফমগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, চা য়োনবা মীগী মমিং মুখৎকদবনি। অথুবা মতমদা চপ চাবা পায়খৎকদবনি হায়না ফোঙদোক্লমখিবা লৈখি। বি জে পি না চাই কেম্পেন চখদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা রেলৱে ষ্টেসন্দা চা য়োল্লম্বগী ৱাফমসি ফোঙদোক্তুনা কংগ্রেস পার্টিগী গান্ধী চারোল শুরোলগী ওইবা রাজনিটি লোইশিন্নবা থৌশিল পায়খৎলক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসিগী মীফম অদু শরুক য়াদ্রিঙৈ মাঙওইননা ভুজদা লৈবা অসাপুরা মাতা লাইশঙদা লাই খুরুমখি। বি জে পি না হায়, প্রাইম মিনিষ্টরদা কংগ্রেস পার্টিনা চখরক্লিবা এতেক্ট অদু মখোয়গী পূক্নীং ৱাখলদা লৈবা ৱাখল্লোনশিং অদু উৎথোকপনি। গুজরাট মীখলদা বি জে পি না চাওনা মায় পাক্কনি। ভুজদা পাঙথোকখিবা মীখলগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, কংগ্রেসনা য়ূম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া লৈবাক অসিগী মচা অমদা শীরিবা অদু ঙাকপিবা ঙম্লোইদবা অমনি। হৌজিক গুজরাটতা থেঙনগদৌরিবা মীখল অসি চাওখৎপা অমসুং চারোন–শুরোল নাইবা থৌশিলগী মরক্তনি।

রাহুল গান্ধীদা এতেক্ট চখদুনা লুচিংবা অদুনা হায়, গুজরাট মীখলগী মমাঙদা মহাক্কী অপোকপী সোনিয়া গান্ধীগী ফম অদু মহাক্না শিন্ননবা হোৎনরিবনি হায়খি।

কংগ্রেস পার্টিনা গুজরাটপু মতম পুম্নমক্তা মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগদবনি হায়খি।

# লালু প্রসাদতা পীরম্বা জেৎ প্লস সেক্যুরিটি লৌথোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ২৭ ঃ***


রাজত্রিয়া জনটা দল (আর জে দি) গী লুচিংবা লালু প্রসাদ য়াদবতা পীরম্বা নেসনেল সেক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) জেৎ সেক্যুরিটি সেন্টরনা লৌথোকখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

বিহারগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর লালু প্রসাদ য়াদবতা খূৎলাই মতিক চানা পায়বা সেন্ত্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী কম্মান্দোশিংনা ঙাক–শেন্দুনা লৈরমখিবনি। লালু প্রসাদতা হৌজিক এন এস জি গী ব্লেক কেট কম্মান্দোশিংনা মখা তানা ঙাক শেল্লরোই।

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি হন্দক্তগা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতূং ইন্না লালুদা পীরম্বা জেৎ সেক্যুরিটি অদু লৌথোকখিবনি। মদুতা নত্তনা বিহারগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জিটন রাম মঞ্জিদগীসু সি আর পি এফ কী জেৎ সেক্যুরিটি পীরম্বা অদু লৌথোকখ্রে। অদুগুম্বা মীওইশিং অদুদা ষ্টেট পুলিসনা ঙাক শেল্লগনি হায়রি।

মখা তানা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা তঙায় ফদবা লৈবা মিনিষ্টরশিংদদি জেৎ সেক্যুরিটি পীগনি হায়রি।

# গুজরাট মীখলগীদমক বি জে পি গী মীরেপ ওইগদবা মীওই ৩৪ গী মিং লাওথোকখ্রে



***অহমেদবাদ, নভেম্বর ২৭ ঃ***

গুজরাট মীখলগী অনীশুবা ফেজগী ওইনা নোমিনেসন ফাইল তৌবগী অরোইবা নুমিত্তা ঙসি বি জে পি না মীরেপ ওইগদবা মীওই ৩৪ গী মিং লাওথোকখ্রে।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অনন্দিবেন পটেল য়াওনা এম এল এ ৫ মীরেপ ওইগদবশিংগী মনুংদা য়াওদ্রে। অহমেদবাদ সহরগী ঘাটলোদিয়া সিত্তা মীরেপ ওইররোই হায়না অনন্দি পটেলনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

বি জে পি না মিনিষ্টর রোহিট পটেল টিকেৎ পীখিদে। বি জে পি গী টিকেৎ ফংহৌদ্রবা মীওইশিং অদুদি নাগর্জি থাকুর, অসাৱার কন্সটিটুয়েন্সিগী লুচিংবা আই এম পটেল অমসুং লিমখেদাগী ভিনচিয়া ভুরিয়ানি হায়রি।

হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং ৱাঙাংলোই জয় নারায়ন ব্যাজ সিদপুর কন্সটিটুয়েন্সি মীরেপ ওইরগনি। মহাক ইং ২০১২ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা মায়থিহৌখিবনি।

ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি না কংগ্রেস এম এল এ ওইরম্বদগী গেরৱা মচুগী পার্টি অদুদা য়াওরকখিবা ঢেজা সারিবেল পটেলদা মীরেপ ওইনবগী টিকেৎ পীরি। মদুতা নত্তনা কংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ করমসি মাকভানাগী মচানুপা কানু মাকভানাদা পার্টিগী টিকেৎ পীরি।

গুজরাটকী ওইনা অরোইবা ফেজগী মীখলগীদমক টিকেৎ পীরিবশিংগী মনুংদা সিটিং এম এল এ ১২ য়াওরি। অনন্দি বেন পটেলদা ভোট কারকখিবা ঘাট লোদিয়া কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ ওইননবগীদমক ভুপেন্দ্র পটেলদা টিকেৎ পীখ্রে। মদুতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা কন্সটিটুয়েন্সিশিংদা মায় পাকপা য়াবা মীওইশিংদা বি জে পি গী টিকেৎ পীরি। টিকেৎ পীবগী ৱাফম অদু বি জে পি নেসনেল প্রসিদেন্ট অমিট সাহ য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা লেপখিবনি হায়রি।

# পোৎ মুন্নবা হোৎনবশিংনা মণিপুরগী নাগা মহৈরোই অমা থাঙনা থিল্লম্লে

***বেঙ্গলুরু, নভেম্বর ২৭ ঃ***

বেঙ্গলুরুদা মহৈ তমদুনা লৈবা মণিপুরগী নাগা মহৈরোই অমা নভেম্বর ২৬ তা পোৎ হুরান্নবা হোৎনবা মীওই ৪ না থাঙনা থিল্লম্লে। বেঙ্গলুরুদা লৈবা নাগা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন্না ফোঙদোরকখিবদা চহী ২৪ শুরবা সোসেম জিমিক তাঙ্খুল নাগা ত্রাইবকী মনুং চনবা মীওইনি। মহাক্না মদ পাইপতা থবক তৌরিঙৈদা বাইক অনীদা লাককিবা মীওই ৪ না তুংদগী থাঙনা থিল্লম্বনি হায়রি।

সোসেম মহাক্কী মচন্নুপীগা লোয়ননা বেঙ্গলোরগী অষ্টিন তাউন্দা লৈবনি। ঙরাং নুমিদাং পুং ১২.৫০ রোম তাবদা থবক মফমদগী হল্লকপদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। খুদক্তা মীওই অদু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। এতেক্ট চখরমখিবা মীওই ৪ অদুনা মোবাইল ফোন অমসুং শেল লাক্নবা হোৎনরকখি হায়না শোক্লবা মীওই অদুনা ফোঙদোরকখি। থৌওং অদুগা মরী লৈননা অসোক নাগর পুলিস ষ্টেসন্দা এফ আই আর অমা থাঙ্গৎখ্রে।

অৱাং নোংপোক্তগী লাকপা মীওইশিংদা তাথি–তাওইনা তৌবা অমদি এতেক্ট চখবগী থৌদোক অমা ওইরিবা থাঙ থিনবগী মতাংদা পুলিসনা থিগৎপা হৌখ্রে। শোক্লবা মীওই অদু মণিপুরগী তাঙ্খুল ত্রাইবনি। মহাক টি সি পালিয়াদা শোক্তুনা অয়ূক্কী পুং ৭ ফাওবা ঈ মরক্তা তাদুনা লৈরম্বা থেঙনখি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরকখি।

চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ৩০ দা মাও ত্রাইবকী মনুং চনবা চহী ২১ রোম শুরবা কোমু কৌবা রেষ্টুরেন্ট অমদা থবক তৌবা মীওই অমসু থাঙনা থিন্দুনা শোকহল্লমখিবা লৈখ্রে। মদুতা নত্তনা ইং ২০১৬ তসু অৱাং নোংপোক্কী মীওই অমা আহোর ভাসুমদা থাঙনা থিন্দুনা শোকহল্লমখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

# লুপা লাক্ষ ১.৫ কী ওইগদবা হেরোইন আইজোন্দগী ফারে

***আইজোন, নভেম্বর ২৭ ঃ***

মীজোরাম এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা আইন্না থিংখ্রবা হেরোইন গ্রাম ৩৮ ফারে। দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা আইজোন সহরগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদগী হেরোইনশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং অদুগা কোন্ননা নুপী অনীসু ফারে হায়না মীজোরাম এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরকখি। ফারবা হেরোইনশিং অদু লোকেল মার্কেটতা লুপা লাক্ষ ১.৫ রোমগী ওইগনি। ম্যান্মারগা তাইননা লৈবা ষ্টেট অমা ওইবগা আইন কাইনা ঙমখৈ লান্না ড্রগ পুশিল্লকপগী থৌদোক কয়া থেঙনখ্রে। মমাঙদসু লুপা লাক্ষ কয়াগী ওইগদবা ড্রগশিং ফাগৎপা লৈখ্রবনি।

ঙসি ফারবা মীওইশিং অদু নার্কোটিক ড্রগ এন্দ সাকোট্রোপিক সবষ্টেনসেস এক্ট ১৯৮৫ কী মখাদা বুক তৌখ্রে। ম্যান্মারগা তায়নবা ষ্টেট অমা ওইবনা অরোনবা লম্বীশিংদগী য়াল্লবা ড্রগ কয়া ষ্টেট অদুদা পুশিল্লকপা থেঙনখ্রে। ওথোরিটিনা হৌজিক আইন কাইনা ললোন ঈতিক তৌবশিং য়েংশিন্নবা অকনবা থবক পায়খৎতুনা লৈরিবনি হায়রি।

# ষটিসগরনা কিদনেপ তৌখিবা থিকাদার অমগী মচানুপা নেক্সেলশিংনা হাৎলম্লে

***ৱাইপুর, নভেম্বর ২৭ ঃ***

যটিসগরগী কনকর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফমদা রেলৱে লাইন শেমগৎলিবা মফমদগী ফাদুনা পুখিবা থিকাদার অমগী মচানুপা অমা নেক্সেলশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে। হায়রিবা মফম অদু ষ্টেট অদুগী কোনুং রাইপুরদগী কিলোমিটর ১৮০ লাপ্পা লৈবা মফমনি।

কনকরগী এস পি কে এল দ্রুবনা ফোঙদোরকখিবদা রামেজ জেন কৌবা চহী ৩৮ লোম শুরবা মীওই অদুগী অশিবা হকচাং অদু রাখবট খুঙ্গংগা নক্লনা লৈবা উমং অমদগী ফংলে। রামেজকী মপানা লমদম অদুদা রেলৱে ট্রেক শেমগৎনবা উ–ৱাশিং ককথৎপগী ঠিকা লৌদুনা লমদম অদুদা থবক শুখি।

থাংজ নুমিত্তা নেক্সেলগী খূৎলাই পায়বা মীওই ৩০।৪০ রোমনা থবক শূরিবা মফম অদুদা চঙশিল্লকখি। লোয়ননা থবক শূরিবা মীওই খুদিংমক মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকখি। নেক্সেলশিং অদুনা মফম অদুদা লৈবা ট্রক ৪ অমদি লোদর মেছিন ১ মৈ থাদোক্লমখি। মদুগী মতূংদা রামেজ ফাদুনা পুখি হায়রি।

তুংদা রামেজ খুঙ্গং অদুগা নক্লনা লৈবা উমংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবনি হায়নসু দ্রুবনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। পাউ অদু হেক ফংবগা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী এস পি অমসুং ওফিসিয়েলশিং মফম অদুদা চঙশিনখি। লোয়ননা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোটেম তৌননবা থাখ্রে হায়রি।

# সিরিয়াগী অল–সাফাহদা রুসিয়ানা এয়ারষ্ট্রাইক চখবদা মীচম ৫৩ শিখ্রে



***সানা, নভেম্বর ২৭ ঃ***

সিরিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা অল–সাফাহ খুঙ্গংদা রুসিয়ানা এয়ারষ্ট্রাইক চখবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৩ শিখ্রে।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা বেজ তৌবা সিরিয়েন ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস (এস ও ঐচ আর) না ফোঙদোরকখিবদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্তগা রুসিয়ানা এয়ারষ্ট্রাইক চখরকপদা অঙাং ২১ য়াওনা মীওই ৫৩ শিখ্রে।

দের অল–জোরগী মনুং চনবা খুঙ্গং অদু আই এস মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা মফম অমনি। অকনবা মওংদা এয়ারষ্ট্রাইক চখরকপদা লমদম অদুদা লৈবা য়ূম–কৈ কয়া মাঙ তাকখ্রে।

লমদম অদুদা য়ূম–কৈ কয়া চাওনা অকায়–অতোয় নংখিবনা মরম ওইরগা অশিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই। মফম অদুদা হৌজিক মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চখরি হায়রি।

নাকল অমরোমদা রুসিয়ানা হায়, মিলিটেন্টশিংনা লৈবা মফমনি হায়না খঙদোক্লবা মফমশিংদা ষ্ট্রাইক অদু চখখিবনি। রুসিয়াগা মপাং ওইরিবা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল–আসাদ হৌখিবা চহী কয়াদগী সিভিল ৱার অমা মায়োক্লদুনা লাক্লিবনি। হৌখিবা চয়োল অনীদা নোংপোক থংবা ঘৌটাদা মীওই ১২০ শিখ্রে হায়বগী পাউসু লৈরি।

ধমাসকসকী মতাইদা লৈবা রিবেলশিংনা খুদুম চল্লম্বা মফমশিংদসু মীওই ২৩ শিখি হায়বগী পাউসু ফংবা ঙম্লে হায়রি।

মোনিটরিং গ্রুপনা মখা তানা হায়, হৌখিবা চয়োল অনীদা সিরিয়া লান্মীনা ওফেনসিফ ষ্ট্রাইক চখরকপদা মীচম ১২০ শিখ্রে। লমদম অদুদা থোক্লিবা সিভিল ৱার অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া চানবা চিঞ্জাক ফংবা ঙমদবনা মরম ওইরগা চরা হেন্দুনা শিখ্রে। অদুগা মীওই লাক্ষ কয়ানা ময়ূম–মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে হায়রি।

য়ু এন গী পাউ মতূং ইন্না লমদম অদুদা হৌজিক চানবা চিঞ্জাক ফংদবগী শাথিবা ফিভম অমা মায়োক্লরি। মদুতা নত্তনা শা–যণশিংগী মচিঞ্জাক ফংদ্রে। হৌখিবা থা কয়াগী মমাঙদগী লমদম অদুদা শাথিবা চাক তাংবগী থৌদোক মায়োক্লরবনি হায়রি।

# জিম্বাৱেদা অনৌবা প্রসিদেন্ট ইমরসন নঙ্গৱাগী কেভিনেট মথং চয়োলদা চাওথোক্লগনি

***হারারে, নভেম্বর ২৭ ঃ***

লান্মীনা লৈঙাক্তগা খূৎ থিংজল্লকখিবা অমসুং মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতূং রোবার্ট মুগাবেনা মমাঙ চয়োলদা ফম থাদোকখ্রবগী মতূংদা মখা তারকপা অমা ওইনা লৈবাক অদুগী ওফিসিয়েলশিংনা রোবার্ট মুগাবেগী মপোক নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২১ বু ছুটি লাওথোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে।

পুলিস অমসুং লান্মীনা লৈবাক অদুদা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়নসু ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখি। মমাঙ চয়োলদা মঙ্গৱানা লুচিংবা ওইরকখ্রবা মতূং ফোঙদোকখিবদা হান্নগী প্রসিদেন্ট অদু ইকায় খূম্নবা অমদি মহাক্না জিম্বাৱেগীদমক লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু ইকায় খূম্নবা তঙাই ফদে হায়না ফোঙদোকখিবনি। মহাক্কী ৱাফম অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অদুগী ওথোরিটিনা হান্নগী প্রসিদেন্ট মুগাবেগী মপোক নুমিৎপু ছুটি লাওথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

মুগাবেগী মতম লোইখ্রবা মতূং নঙ্গৱানা লৈঙাক অদু শেমগৎনবগীদমক মহাক্কী কেভিনেট চাওথোক্লবা হোৎনরকখিবনি। ওপোজিসন পার্টিনা লৈবাক অদুদা দিমোক্রেসি লৈহন্নবা তকশিল্লকখ্রে। চহী ৩৭ চুপ্পা প্রসিদেন্ট লৈঙাক লৈরুরবা মতূং অনৌবা লৈঙাক্কী ফিভম অমা লাকপা মতূংসিদা মনিং মখা তম্না মীখল পাঙথোকপা য়াহন্নবা ৱাফমসু পুখৎলক্লি।

লৈবাক অদু ইং ১৯৮০ দা মনিং মখা তমখিবনি। মনিং মখা তমখিবা মতূং জানু–পি এফ পার্টিগী লৈঙাক মখাদা লৈরকখি। লোয়ননা লৈবাক অদুগী মীওৎ মীনৈ কয়া চখখি হায়বগী মরাল শীরি। মখা তানা লৈবাক অদুদা মীওৎ মীনৈ লৈহন্দনবা মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি। লোয়ননা নঙ্গৱানা মুগাবেগা মান্নদবা মওংদা লৈঙাক পায়রক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়রি।

মুগাবেনা মহাক্কী লোয়নবীবু লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা থৌশিল পায়খৎলকখিবা মতূং মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্নরকখিবনি। লোয়ননা লান্মীনা মুগাবেবু হাউস এরেষ্ট থমজিন্দুনা লৈঙাক্তগা খূৎ থিংজিল্লকখি।

মুগাবে অমসুং মহাক্কী লোয়নবী গ্রেস মুগাবে লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবগী থৌরম লৈখ্রে। মখোয় হৌজিক লৈবাক অদুগী কোনুং হরারেদা লৈরি হায়রি।

# সোমালি রিফ্যুজি ১০,০০০ মোগাদিসুদা চেনশিনখ্রে

***মোগাদিসু, নভেম্বর ২৭ ঃ***



সোমালিয়াগী অল–কাদালা কেম্পতা লৈরম্বা মীওই লীশিং কয়া লৈবাক অদুগী কোনুং মোগাদিসুদা চেনশিনখ্রে। কেম্প অদুদা লৈরম্বা মীওই ১০,০০০ রোম চাবা থকপা ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবা মতূং শাফবা পুন্সি মহিং অমা শেম্ননবগীদমক লৈবাক অদুগী কোনুং মোগাদিসুদা চেনশিন্নখ্রে হায়না নোরৱেয়ান রিফ্যুজি কাউন্সিলনা ফোঙদোরক্লে।

লৈবাক অদুগী ময়াই থংবা অমসুং খা থংবা সাবেলে লমদমদা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোকপনা মরম ওইরগা মীওই কয়া লাঞ্জেন্নরকখি। লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওইশিং অদু অল–কাদালা কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরমখিবনি।

চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারী থাদগী সোমালিয়াগী মীওই মিলিয়ন কয়া অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চেন্নখ্রে। লৈবাক অদুদা ইকং থোকপগী শাথিবা ফিভম অমসু মায়োক্লরিবনি। মরু ওইনা ইকং থোকখিবা অদুনা চানিঙাই লৈত্রবা মীওইশিং ময়ূম থাদোক্তুনা চেনখিনবগী মরম ওইহনখি হায়রি।

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
### Sagolmang, Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Cass No. 672/SDC/SLG/IE of 2017*

Kangjam Ibomcha Singh S/o Late Kangjam Tejit Singh of Yumnam Khunou

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Lourembam Ongbi Apambi Devi

W/o Late L. Kaomacha Singh of Yumnam Khunou

***- Opposite Party***

## NOTICE

*Sagolmang, the 27/11/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তাহসিল খুল নং 1-Yumnam Khunou পাট্টা নং 351 (অরিবা) 232 (অনৌবা), দাগ নং 1394 মোট এরিয়া 0.87 একর চাউবা Phourel লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্যু পাট্টদারগী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্যু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/objection তৌরবা য়াগনি মতূংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না থবক মখা চখরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

***SL/3642(c)/28***

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 17/08/17
Valid : 09/08/17
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Lambodara Indane**
Booking : 02/10/17
Valid : 21/09/17
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**R & N Indane Service**
Booking : 20/08/17
Valid : 30/07/17
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**R & H Indane**
Booking : 20/08/17
Valid : 30/07/17
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 22/09/17
Valid : 11/09/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 05/10/17
Sl. No. upto 500
Valid : 03/10/17
Stk : 300
Time : 07.30 to 10.30 a.m
Rate : Rs. 847.50

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 06/09/17
Valid : 19/08/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Haran Valley Gas, Kwakta**
Booking : 09/08/17
Valid : 02/08/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**RBD Gas**
Booking : 23/09/17
Valid : 06/09/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khongnang Gas, Bishnupur**
Booking : 27/07/17
Valid : 24/07/17
Sl. No. from 4501 to 4737
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**সনা–সুদোকু –১০০৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | 9 | 8 | 5 | 3 | 4 | 2 | 1 |
| 8 | 5 | 3 | 2 | 1 | 4 | 7 | 9 | 6 |
| 4 | 2 | 1 | 9 | 7 | 6 | 5 | 3 | 8 |
| 9 | 8 | 7 | 3 | 6 | 2 | 1 | 5 | 4 |
| 2 | 3 | 6 | 1 | 4 | 5 | 8 | 7 | 9 |
| 5 | 1 | 4 | 7 | 9 | 8 | 3 | 6 | 2 |
| 7 | 4 | 8 | 5 | 2 | 9 | 6 | 1 | 3 |
| 3 | 9 | 5 | 6 | 8 | 1 | 2 | 4 | 7 |
| 1 | 6 | 2 | 4 | 3 | 7 | 9 | 8 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1007**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 1 | | 4 | | | | | 2 |
| 9 | | | | | 8 | 4 | | |
| | | | | 5 | 6 | 8 | | |
| | | 3 | 1 | | | | | 6 |
| | | 1 | | | 4 | 3 | | 8 |
| 2 | | | 3 | | | | | |
| | | 6 | | | | | | |
| | 5 | | 9 | | 7 | 2 | 6 | |
| | | | | | | 7 | | |